

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*লুই এনরিক্কা থোকখিবদগী এফ সি বর্সেলোনাগী থবক্তা মখা তানা থৌ ব্রা শাখিদ্রবা অর্সেনিং ব্রিঙ্গর*

*নুপাশিংগী প্রোফেসনেল সোক্কর ক্লবকী ইহান হানবা নুপী কোচনা নুপীশিংগী ব্রাখল্লোন শোইদনা হেনগৎহনগনি হায়বগী থাজবা থম্লিবী চান য়ুয়েন-টিং*

## ইন্দিয়ান বোক্সিং লিগ চহি অসিগী লোইরমদাইদা পাঙথোক্লকগনিঃ বি এফ আই চীফ

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২ঃ*

মফমসিদা ইন্তরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসনগী (এ আই বি এ) ৭১শুবা কমিসন মীফম মায় পাক্লা পাঙথোকপা লোইশিনখ্রবগী মতুংদা তারকপদা, বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী প্রসিদেন্ত অজয় সিংহনা ফ্রঞ্চাইজ দা য়ূম্ফম ওইবা ঙসি ফাওবদা ইহান হানবা ইন্দিয়ন বোক্সিং লিগ (আই বি এল) চৎলিবা অসিগী অসিগী লোইশিল্লকপা ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে।হীরম অসিগী মতাংদা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা, অজয়না ইন্দিয়া অসি ৱুমেন'স য়ুথ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ গী নবেম্বর থাদা পাঙথোকপা হৌবগা লোয়ননা ২০২০ তোকিও ওলিম্পিক মতম ফাওবগী ওইনা শেম শানবা অচৌবা তুর্নামেন্ত অমা চহী খুদিংগী য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না লাউথোকখি।'ঐখোয় হন্দক চহীগী অথেঙবা শরুক্তা ঐখোয়গী ইশাগী ওইবা বোক্সিং লিগ অমা পাঙথোকপা হৌরগনি অমসুং মসি শেন থুম অমদি এক্সপোজরগা মরী লৈননা ঐখোয়গী বোক্সরশিংগী ওইনদি অচৌবা খুদোংচাবা অমা ওইগনি।''ৱুমেন'স য়ুথ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদি মখোয়না অসিগুম্লবা অচৌবা ইভেন্ত অমদা অথোই অহেন তানবা থোকপা ঙমগদবা অমসুং মসিনসু তোকিও ২০২০ গীদমক ঐখোয়গী শেম শাবদা মতেং ওইনগদবনা ইন্দিয়ন বোক্সরশিংগীদমক্তদি অচৌবা খুদোংচাবা অমা পীবিগনি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।'ঐখোয় চহী খুদিংগী অচৌবা ইভেন্ত অমা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কে নীংলিব অমসুং ঐখোয়গী বোক্সরশিংনসু ২০১৭ ৱার্ল্ড সেরিজ বোক্সিং কম্পিতিসন্দা শরুক য়াগদবনা মসিদি ঐখোয়গী য়াৎলিবা থৌরাংগী হৌবদমক ঙায়রিবনি।'মসিনা এ আই বি এ কম্মিসন মিটিং ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা অহানবনি অমসুং এ আই বি এ কমিসন ১১ দগী চিয়রপার্সনশিনা ৱার্ল্ড বোক্সিংগী তুংগী লম্বীগী ৱা খন্নবদা শরুক য়াখি।এ আই বি এ প্রসিদেন্ত ৱু চিং-কুওবু মহাক্কী লিদরশিপ্তা থাজবা ফোঙদোক্লদুনা অজয় সিংহনা কম্মিসনগী মিতিং অসি ৱার্ল্ড গবর্নিং বোদিগা লোয়ননা চৎমিন্নগদবা শাংলবা লম্বী অমগী হৌরকপা ঙাইরিবনি হায়না ফোঙদোকখি।'অহানবা খোঙথাংদি এ আই বি এ কম্মিসনগী মিটিং পাঙথোকপনা ওইখি, মদুদা ঐখোয়না নৌরিবা মথৌ হনবা তৌদ্রবা ইন্দিয়ানা মালেমসিগী জগা অমা হেক্তদগী থোক্লরকপা বোক্সরশিংগা লম্বা তৌনবা শেম শারি হায়বা উখোকখি। ডা. ৱুগী হোৎনজমন অমসুং লমজিং লমতাক্লা মপুং ওইরগা ঐখোয়না মীখল হৌখিবা চহীদা পাঙথোকপা ঙমখি অমসুং মীখলদু এ আই বি এনা য়েংশিনখি অমদি ইন্দিয়াগী আইনগী মতুং ইন্না পাঙথোকখি।কনফরেন্স অদুদা য়াওখিবা এ আই বি এ প্রসিদেন্তনা হায়খি, ইন্দিয়াদা ওইরিবা ফীবম অসি বি এফ আই শেমখিবদগী ফগৎলকখ্রে অমসুং ইন্দিয়া অসি বোক্সিংদা সুপরপৱার অমা ওইরক্লবা থাজবা ৱাংনা লৈরে।'এসোসিএসন মনুংদা থোকখিবা থৌদোকশিংদুদি লাইবক থীবনি। অদুমকপু মদু পূন্নমক্তু হৌজিক্তি ঐখোয়দগী নাথৈরগা থমখ্রে অমসুং ঐহাক ইন্দিয়ানা ইন্তরনেসনেল ফম্বাক্তা নীংথিনা থবক তৌরকপা ঙমগদবা বোক্সরশিং পুথোকপা ঙমগনি থাজে' হায়না ৱুনা ফোঙদোকখি।



## সরাপোভাদা লাক্লিবা মে থাদা শান্নগদবা ইতলীয়ন ওপন শান্নবা য়াওনবগীদমক ৱ্রাইল্ডকার্দ পীখ্রে

*রোম, মার্চ ২ঃ*

মঙারক গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী মরিয়া সরাপোভাদা লাক্লিবা মে থাদা শান্নগদবা ইতলীয়ন ওপনদা শান্নবা য়াওনবগীদমক ৱ্রাইল্ডকার্দ পীখ্রে হায়না শীল্লি লাঙলিবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।হান্নগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান অসি দোপিং তৌরুবগীদমক থা ১৫ গী অথীংবা মতম মায়োক্লবা লোইরবা মতুংদা হন্দক্কী এপ্রিল থাসিদা স্ততগার্ততা পাঙথোক্কদবা সর্ক্যুততা মহাক্কী শান্নবা অমুক হল্লক্লবা শেম শারিবনি।'ঐখোয়না অহুম্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মরিয়া সরাপোভাবু মেন দ্রোদা য়াওহন্নবগীদমক ৱ্রাইল্ড কার্দ পীখিবদু ওফিসিএল ওইনা লাউথোকখ্রে' হায়না ওর্গনাইজরনা ত্বিত্তরদা লাউথোকখি।সরাপোভা ২০১৬ অস্ত্রেলিয়ন ওপনদা দ্রগ মেলদোনিয়ম শীজিন্নরুবা শন্নখ্রেবগীদমক তেস্ততা পোজিতিব ওইরম্বদগী তুরদা শান্নদনা লৈরক্লিবনি। ইন্তরনেসনেল তেন্নিস ফেদরেসন্না থমখিবা অহানবগী চহী অনীগী অথীংবা অদুদি কোর্ত ওফ অর্বিত্রেসন ফোর স্পোর্তনা থা ১৫ দা হন্থহনখি।রোম তুর্নামেন্ত অসি মে ১৫ দগী মে ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি।মহাক মে ৬ তগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদবা মেদ্রিদ ওপনগী ওইনসু ৱ্রাইল্ডকার্দ খূৎশিন্নখ্রবনি।



## ওল্গা কোর্বুটনা হিংনবগীদমক লাম্হেংনরকপদা ওলেম্পিক মেদলশিং অদু অতোপ্পা ট্রোফি কয়াগা লোয়ননা য়োম্হোকখ্রে

*এরিজোনা, মার্চ ২ঃ*

কুমজা ১৯৭২গী মুনির্খতা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা জিম্নাষ্টিক্স মশান্নদা শরুক য়াদুনা মালেমগী পুক্নিং চিংশিনখিবী ওল্গা কোর্বুটনা হিংনবগীদমক লাম্হেংনরকপদা মতেং ওইনবগীদমক য়ুএস ওক্সন হাউস অমগা খুথাংদা মহাক্কী ওলেম্পিক মেদলশিং অদু অতোপ্পা ট্রোফি কয়াগা লোয়ননা য়োম্হোকখ্রে।

হৌজিক এরিজোনাদা লৈরিবী হান্নগী সোভিয়েট য়ুনিয়নগী জিম্নাষ্ট অসিনা মুনির্খ ওলেম্পিকস্তা ফংখিবা গোল্ড মেদল অনি অমদি সিলভর মেদল অমা য়াওনা পুন্না ট্রোফি ৩২ ওক্সন তৌদুনা য়ুএস দোল্লর ৩৩৩,৫০০ তানবা ঙমখি হায়না হেরিটেজ ওক্সন্সকী ৱাঙাঙলোয় খৃষ্ট ইভাইনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

বেলারসতা পোকখিবী অমদি কুমজা ১৯৯১দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ময়ুম হোংলকখিবী মশাগী চহি ৬১ শুরবী কোর্বুটকী ওক্সন অদুদা মহাক্কী টিম গোল্ড মেদল অদুনা খ্বায়দগী মমল য়ামদুনা য়ুএস দোল্লর ৬৬,০০০ তানবা ঙমখি হায়না পল্লদুনা কোর্বুটনা শেন-থুমগী অৱাবা মায়োক্লখি অমদি মেদলনা মহাক্কী পুন্সি কনখি হায়না রসিয়াগী গাজেটা দোট রু ন্যুজনা রিপোর্ট তৌখি।পনবা য়াবদি, মশাগী চহি ১৭খক ঙায়রিঙৈদা ফিট ৪গা ইঞ্চ ১১ (মিটর ১.৫) ৱাংখিবী কোর্বুটনা মুর্নিখ গেমসতা শরুক য়াদুনা মহাক্কী টিম, বেলেঞ্চ টিম অমদি ফ্লোর এক্সরসাইজদা গোল্ড অদুগা অনইভন বার্সতনা সিলভর মেদল অমা লৌদুনা মালেমগী পুক্নিং শুমহৎখি। মদুগী মতুং চহি মরি লৈরগা পাঙথোকখিবা মোন্ট্রিল ওলেম্পিক গেমসতসু জিম্নাষ্টিক্সকীদমক পোক্লকখিবী কোর্বুটনা অতোপ্পা গোল্ড অমগা সিলভর মেদল অমগা অমুক লৌখি। কোর্বুটকী ওক্সন অদুদা মহাক্না পর্ফোমেন্স তৌবদা শিজিন্নবা দ্রেস অমা, কুমজা ১৯৭২দা ফংখিবা বিবিসি স্পোর্টস পর্সনেলিটি ওফ দি ইয়রগী এৱার্দ অমদি তোঙান তোঙানবা সোভিয়েট য়ুনিয়নগী মেদলশিংসু য়াওখি।

## ৱার্ল্ড প্লেয়র ওফ দি ইয়র মরিরক তাখ্রবা খৃষ্টিয়ানো রোনালদোনা লা-লিগাগী পেনাল্টি রেকোর্দ থমখ্রে

*এরিজোনা, মার্চ ২ঃ*

ৱার্ল্ড প্লেয়র ওফ দি ইয়র মরিরক তাখ্রবা খৃষ্টিয়ানো রোনালদোনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎ ভিল্লারিয়েলগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেটচতা পেনাল্টিদগী গোল অমসু অমুক চনশিনখিবদগী লা-লিগাগী পুৱারিদা পেনাল্টিদগী গোল মশিং খ্বায়দগী য়ম্না চনবা ঙম্বা শান্নরোই ওইদুনা মহাক্কী মায় পাক্লবা কেরিয়রদা অনৌবা পম্হুং অমসু অমুক য়ৌশিনখ্রে।

ভিল্লারিয়েলবু গোল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা রিয়েল মেদ্রিদপু টেবলগী মকোক্তা অমুক হন্না লৈহনখিবা মেটচ অদুদা পোর্টুগালগী সুপর ষ্টার অসিনা য়ার্দ ১২ লাপ্পা মফমদগী মহাক্কী ৫৭রক শুবা পেনাল্টিগী গোল অদু চনশিন্দুনা লা- লিগাগী লাতমদা চাউরবা মফম অমা কনখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থা জনুৱারি ১৫দা সেভিল্লাগী মখুৎতা গোল ১-২দা মায়থীহৌখিবা মেটচ অদুদা রোনালদোনা পেনাল্টিদগী মহাক্কী ৫৬রক শুবা গোল চনখিবদগী রিয়েল মেদ্রিদকী লিজেন্দ হুগো সাঞ্চেজগা

লোয়ননা পম্হুং অসিগী মকোক্তা পুন্না লৈমিন্নরকখিবনি। অদুবু টৌনি ক্রুজনা কাওশিনখিবা বোল অদু ব্রুনোগী মখুৎনা থেংলুবদগী রেফ্রিনা পেনাল্টি পীখিবনা রোনালদোনা নোংমাইজিং নুমিৎতগী রেকোর্দ অসি মহাক মশা মথন্তগী ওইখি। নিংশিংবা য়াই, রিয়েল মেদ্রিদনা গোল অনি মখা থানা লৈরম্বদগী রোনালদোনা চনখিবা গোল অদুনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স অসিবু পাঞ্জিল মান্নহনখিবদা নত্তনা মায় পাক্লবগী য়ুম্ফমসু থোনখিবনি। রোনালদোগী ৫৭ শুবা পেনাল্টিগী গোল অদুনা সিজন অসিগী লা-লিগাদা মহাক্কী মঙাশুবা পেনাল্টিগী গোল ওইদুনা সিজন অসিদা মহাক্কী ১৬ শুবা লিগ গোলসু ওইখি। অমরোমদনা, বার্সেলোনাগী সুপরষ্টার লিওনেল মেসিনা লিষ্ট অসিদা গোল ৪৩গা লোয়ননা মঙাশুবা মফম কন্দুনা লুবাস্লাভ পেনেভ (৪৪) অমদি রোনাল্ড কোমেনদগীসু (৪৫) মখা থানা লৈরি।



## ঙসি থাউ য়েনগদবা মফমশিং

| Sl No | Dist: Imphal East | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | KONTHOUJAM KSK | KYAMGEIPALI | 4 | 4 | |
| 2 | P.G.PETROLUEM | CHINGMEIRONG | 4 | 4 | |
| 3 | TUKS & BONS F / STN. | Hatta | 4 | 4 | 4 KL HSD is reserved for Election |
| 4 | KHURAI SERVICE STN | KHURAI | 4 | 5 | |
| 5 | KSK KOIRENGEI | KOIRENGEI | - | 4 | |
| 6 | LEMBISANA S.STN | UYUMPOK-PAORABI ROAD | 5 | 4 | |
| 7 | KUSUM S / STN. | PALACE GATE | 8 | 8 | **4 KL HSD Reserved for TDC. 4 KL & 16 KL HSD reserved CAPF - Election Duty is already available. DC is requested to kindly arrange upliftment of the product. 4 each KL HSD and MS is reserved for Election** |
| 8 | POROMPAT SERVICE STN | POROMPAT | 4 | 8 | 8 KL HSD and 4 KL MS is reserved for DC/IE. 233 Litres of HSD and 40 litres of MS is reserved for Manipur Milk Producers' Co-operative Union Ltd, on every day basis till 28.02.2017 |
| 9 | EASTERN AGRO SERVICE | KONGBA | 4 | 4 | |
| 10 | FRIENDLY S.STN | KHABEISOI | 9 | 4 | |
| 11 | DGR Velocity KSK | NAPET PALLI | 4 | 8 | |
| 12 | IBETOMBI KSK | TAKHOK | 4 | 8 | 4 KL HSD is reserved for xtra Fleet |
| 13 | THAMBAL KSK | TINSEED | 4 | 4 | |
| 14 | DSLS | MANTRIPUKHARI | 4 | - | |
| | | Total | 62 | 69 | |
| Sl No | Dist: Imphal West | | | | |
| 1 | EMO F / STN. | SINGJAMEI | 4 | 4 | |
| 2 | IBOCHOU S / STN. | KAKWA | 4 | 4 | |
| 3 | K. NILO SINGH | LANGJING | 9 | 13.5 | **4 KL HSD is reserved for HVS, 6 KL HSD reserved for Xtra Fleet** |
| 4 | JAS GAS STN. | URIPOK | 13 | 8 | 4 KL HSD is reserved for Election. DC/IW to issue Permit. |
| 5 | HIGHWAY PETROLEUM | TERA BAZAR | - | 8 | 10 KL HSD is reserved for Election. DC/IW to issue Permit. |
| 6 | KONSAM OIL SERVICE | LANGTHABAL KUNJA | 4 | 4 | |
| 7 | Krishnapremi Oil city | MOIRANGKHOM | 4 | 8 | 10 KL MS & 10 KL HSD already available at Retail outlet is reserved for Political Parties for release on special permit issued by DC. 4 KL each MS & HSD is reserved for Political Parties. Issue on permit given by respective DC |
| 8 | LAMSANG OIL SERVICE | LAMSANG | 4 | 4 | |
| 9 | YUMNAM ROMABATI KSK | CHINGAMAKHA | 4 | 4 | |
| 10 | TIDDIM SERVICE STN | TIDDIM ROAD | 4 | 14.4 | 14.4 KL HSD is Reserved for TDC. |
| 11 | MAYAI LAMBI S.STN | HIYANGTHANG | 4 | 3.6 | |
| 12 | HEIRANGOITHONG SS | HEIRANGOITHONG | 8 | 12 | 12 KL HSD is Reserved for TDC. |
| 13 | PCTC | Khoyathong | 32 | 40 | 20 KL HSD is reserved for Govt. depts, Xtra Fleet and including 1.5 KL HSD for BSNL. 6 each KL HSD resereved for for CEO/Office, DEO/IW, CAPF &Police. Sufficient Qty of MS and HSD reserved as per CEO's direction are already available at the RO (12 KL MS & 32 KL HSD for CAPF /SAPs, 5 KL each HSD reserved for CEO/Office, DEO/IW, CAPF &Police , 10 KL each MS & HSD reserved for Assembly Secretariat). Respective DCs/ Authorities are requested to kindly arange to issue permit to upliftment of the product. |
| 14 | BAKLIWAL ENTERPRISE | North AOC | 9 | 12 | Sufficient Qty of MS and HSD reserved as per CEO's direction are already available at the RO. 4 KL HSD reserved for next Convoy joining vehicle. Respective DCs/ Authorities are requested to kindly arange to issue permit to upliftment of the product. Issue on permit given by respective DC. |
| 15 | B.B. & CO. | SANGAIPROU | 9 | 8 | 10 KL MS & 25 KL HSD already available at Retail outlet is reserved for Political Parties for release on special permit issued by DC. 8 KL HSD & 8 KL MS reserved for CAPF. Issue on permit given by respective DC |
| 16 | KRISHNADAS S / STN. | Ghari | 4 | 12 | |
| 17 | LNCN SONS F.STN | SEKMAI | - | 4 | |
| 18 | IMPHAL OIL AGENCY | CHINGMEIRONG | 4 | 8 | Already sufficient qty of MS and HSD under reserved category is available. Further 4 KL HSD is reserved for Election. DC/ Kamjong to issue permit. |
| 19 | UNITED BROS | KHONANG KARAK | 4 | 4 | |
| 20 | SLC, Kisan Sewa Kendra | Sadokpham | 4 | 4 | |
| 21 | DIAMOND SERVICE | KWAKEITHEL | 4 | 8.5 | 8.5 KL HSD reserved for Election. DC/IW to issue Permit. |
| 22 | HEIBOK FILLING KSK | HEIBOK | 4 | 5 | |
| 23 | THOUNA | HIYANGTHANG | 4 | 8 | |
| 24 | MANIPUR HIGHWAY S.STN | KHABAM | 4 | 8 | |
| | | Total | 144 | 209 | |
| Sl No | Dist: Thoubal | | | | |
| 1 | INDO MYANMAR OIL CENTRE | WANGJING | 4 | 8 | 4 KL HSD reserved for TDC. 4 KL each MS and HSD is reserved for DEO/Tbl Issue on permit given by respective DC |
| 2 | S.Mani Filling Centre | kakching | 4 | 8 | 4 KL HSD reserved for TDC. 4 KL MS and 8 KL HSD is reserved for DEO/Cdl, issue on permit given by DC. |
| 3 | TH SOROJINI DEVI | KHANGAPOK | - | - | |
| 4 | KANHAI & SONS | THOUBAL | 4 | 4 | 4 KL each HSD & MS is reserved for DEO/Tbl Issue on permit given by respective DC |
| 5 | KSH. BAIKUL SINGH | KAKCHING | 4 | 12 | |
| 6 | Keramat & sons | YAIRIPOK | 4 | 4 | |
| 7 | CHARGY FUEL STATION | LILONG | 4 | 4 | |
| 8 | KHA MANIPUR | LANGMEIDONG | 4 | 8 | |
| 9 | THOKCHOM KSK | HEIROK | 4 | 4 | |
| 10 | LEISHANGTHEM KSK | LEISHANGTHEM | 4 | 4 | |
| 11 | YUMNAM OIL SERVICE | WABGAI | 4 | 4 | |
| | | Total | 40 | 60 | |
| Sl No | Dist: Bishnupur | | | | |
| 1 | NAMBOL SERVICE STN | NAMBOL | - | - | |
| 2 | MOTOR S. STN. | MOIRANG | - | - | |
| 3 | BITEJ GASOLINE CENTRE | BISHENPUR | 8 | 12 | 8 KL MS and 12 KL HSD is reserved for DEO/Bpr. Issue on permit given by respective DC |
| 4 | NINGTHOUJA KSK | KUMBI | 4 | 10 | |
| | | Total | 12 | 22 | |
| Sl No | Dist: Churachandpur | | | | |
| 1 | TUIBUONG S /STN. | Churachandpur | 4 | 8 | 4 KL MS & 8 KL HSD is reserved for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| 2 | SUAKHUN & SONS | Churachandpur | 4 | 4 | 4 KL MS and 4 KL HSD is reserved for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| 3 | LAMKA FILLING STATION | NEW LAMKA | 4 | 8 | 4 KL MS and 8 KL HSD is reserved for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| 4 | M/S NIANGCHIIN SERVICE S | Buallian | - | 8 | 8 KL HSD reserved is for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| | | Total | 12 | 28 | |
| Sl No | Dist: Pherzawl | | | | |
| 1 | Zuasiam Kisan seva kendra | THANLON | - | - | |
| | | Total | 0 | 0 | |
| Sl No | Dist: Tamenglong | | | | |
| 1 | HONKA & SONS | TAMENGLONG | 4 | 12 | 12 KL HSD is reserved for Election (DEO/Tml),to be issued against authorised permit issued by DC. Register to be maitained |
| 2 | D. GAIDINGAM S.STN | NONEY | 8 | - | 8 KL HSD is reserved for Election (DEO/Tml),to be issued against authorised permit issued by DC. |
| 3 | NAMRI KSK | TAMEI | - | - | |
| | | Total | 12 | 12 | |
| Sl No | Dist: Chandel | | | | |
| 1 | Moreh Agency | Moreh | - | - | |
| 2 | CR Nicholas | | - | - | |
| | | Total | 0 | 0 | |
| Sl No | Dist: Senapati | | | | |
| 1 | DK Oil Agency | | - | 8 | 8 KL HSD is reserved for Election (DEO/Kangpokpi ),to be issued against authorised permit issued by DC. Register to be maitained |
| 2 | Bull Horn | Tadubi | - | - | |
| 3 | J & D Oil, Senapati | | - | - | |
| | | Total | 0 | 8 | |
| Sl No | Dist: Ukhrul | | | | |
| 1 | KV Service | | 8 | - | 4 KL MS is reserved for Election. DC to issue permit. |
| 2 | SHIZA Auto | | | - | |
| | | Total | 8 | 0 | |
| | | Grand Total | 290 | 408 | |

**Sd/ Illegible**
**(Fuel Allocation Committee Member)**